# মণিপুরদা ঈকং থোক্তে, থোকহল্লিব্রা?

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৬৭**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঈকং থোক্লে, ঈকং থোক্লে হায়নৈ মণিপুরদা! ইকায় খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনসু লাউথোকপীখ্রে নহান - মণিপুরদা ঈকং থোক্লে হায়না! থম্মোয়দা খঞ্জবা ৱাখলদি, মণিপুরদা ঈকং শুকথোক থোক্তে হায়নীংই। মরমদি মণিপুরদা ঈকং থোকপা মফমসিবু কদাইদা লৈবগে? লাইনা পীবা লৈবাকনি। লমদমসিদা ঈশিং শুকৱাৎ ৱাৎতে হায়জনীংবখক্কী ৱানি।

ঐচ টু ও - ৱাটরগী কেমিকেল ফোর্মুলানি। ঈশিংদি হাইড্রোজেনগী শরুক অনী অদুগা ওক্সিজেনগী শরুক অমগা অনীসিনা ঈশিং ওল্লি হায়বগী ৱানি। মতাং অসিদা হায় স্কুল তম্লিঙৈগী মতাং অদুম নীংশিংলকই। ওজা বিরেন, হৈরাঙ্গোইথোং মমাং পাংনা লৈরক অমা চৎলগা লৈরে। ওজা বিরেনগী য়ূম। ওজানা হায়বিখি, হাইড্রোজেনগা ওক্সিজেনগা পূনশিল্লগা ঈশিং ওল্লি হায়না। নখোয়সু পারিকো, তম্লিকো! অদুদা ঈশিংদগী হাইড্রোজেনগা ওক্সিজেনগা তোঙান তোঙান খায়দোকপা ঙম্ব্রা য়েংউ। শুকঙম ঙমদে। অদুগা অমগা হায়গেকো অঙাংশা! ঐগী নুংশিরবা মহৈরোয়শিং আলু থাগনি লৈবাক্তা। ফজ-ফজরবা আলু মতুম-মতুম তাগনি লৈবাক মনুংদা। আলুসি কদাইদগী লাকপনো নখোয় খঙব্রো। মখোয় সাইন্টিষ্টশিংনদি হায়গনি, আলুদা প্রোটিন, ফেট, করি করা গ্রাম অদুক অদুক য়াওই। মাগী কান্নবনা সিনি, কান্নদবনা সিনি মথং মথং হায়রক্কনি। অদুবু সোইল হায়গদ্রা লৈবাক লৈহাও হায়গদ্রা অদুদগী আলু অমুক্তং পুথোকপা ঙম্ব্রা য়েংউ, ঙম্লোই। অশিন অয়াক লৈহাও লৈবা, লৈতবা মখোয়না পংহায়দা হায়গনি। লৈবাক্তা থারগা আলু ওইরো, মঙ্গ্রা ওইরো নৎত্রগা হা হায়গদ্রা লৈবাক মনুংদা ফুম্লগা চানবা চিঞ্জাক ওইনা পুথোকপদো! অদু ওইবা তারগদি সাইন্টিষ্টশিং য়াম্না খঙলগদি সোইলদগী আলু পুথোরকউ, মঙ্গ্রা পুথোরকউ, অদুগা হাসু পুথোরকউ কনা অমত্তনা ঙম্লরোইদবা থবকনি। চুম্মী মখোয়না হায়রক্কনি, আলু থারগা আলু তাগনি, মঙ্গ্রা থারগা লৈনুংদগী মঙ্গ্রা পুথোরক্কনি। মতাংসিদা ঐনা পাম্বদি লৈহাও লৈখ্রবা সোইলদগী আলু পুথোরকউ, মঙ্গ্রা পুথোরকউ সিনি হায়নীংলিবসি। মতাং অসিদা নেচর হায়গদ্রা, মহৌশা (প্রকৃতি) হায়গদ্রা তাইবঙ মপু নৎত্রগা ঈশ্বরসু হায়বা য়াই মখোয়গী খুদোলনি হায়নীংই।

ঈকং থোক্লে, ঈচাও থোক্লে - সিবু মণিপুররো। হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জরি ৱারৌবিরোই- মণিপুরদা ঈকং থোক্লে, থোক্লে। অসিবু য়ারিব্রা? মণিপুরদা ঈকং থোক্তে, ঈচাওসু থোক্তে। মখোয়গী মন্ত্রিশিং, দিপার্টমেন্টকী কাঙবুনদি ঈকংসু থোকহন্নীংলমগনি, অদুগা ঈচাওসু থোকহন্নীংলমগনি। ঐখোয়গী তুরেলদগী, পাৎতগী ধমাদা লৈরিয়ে নীংশিংবীয়ু, কাউবীগনু। ইন্দিয়াগী তুরেল য়াম্না লৈরি। ঐখোয়গী মণিপুরগীসু ৱাৎতে। ইন্দিয়াগী ওইনা পল্লবদা গঙ্গা, ইন্দস, যমুনা, নর্মদা, গঙ্গোত্রি, কৃষ্ণ কবেরি, তাপ্তি, হুগলি, সটলোজ, বীচ, রভি, মহানদি, চেনাব অমদি মথং মথং খ্বাইদগী চাউরবা তুরেলশিং লৈরি। মখোয়দা দাম শাই, মদুসু মল্টিপরপজ প্রোজেক্ট কাইদুনি। 'মোর দেন ৱান' অমখক্তদা কান্নবা নত্তে। থক্না-চানবা ঈশিং পীগনি, লৌউবগী মনা-মশিং থাবশিংদসু ঈশিং পীগনি, ঙাসু য়োকপা য়াই, অদুগা টুরিষ্টশিংনা লাক্লগা মখোয়গী ঙাইহাক পোথাফম ওইবসু য়াই।

অসিগুম্বা ওন্থোক্না কান্নখ্রবা দাম কয়া অমা শাখ্রে মণিপুরদা! মখোয়গী কান্নবদি খরখক ফংজৈ। অদুগা অতৈনা কদাইদা চৎখ্রবা। মসিদনি অইবনা থম্মোয়দা ৱামৈগুম চাক্তুনা লৈজরিবসি। মণিপুরগী সিংদা দাম কোয়রুরে, চৎলুরে। অতে কয়া অমসুনি। চুড়াচান্দপুরদগী খরা হাইথরগা লৈবা খুগা দামসু কোয়রুরে। য়াম্না নুংঙাই, য়াম্না ফজৈ। অদুদা ঈশিংদি শুকফং ফংদে হায়বদি য়ারোই, খরদি ফংই।

মখা তারকপদা মণিপুরদা কদাইদা ঈকং থোক্লিবনো! কদাইদা ঈচাও থোক্লিবনো? নখোয় নখোয়না থোকহনবা মক্তনি। মাইনর ইরিগেসন, পি ঐচ ঈ দি করি করা ঈশিংগী দিপার্টমেন্ট য়াম্না লৈবদাইনে। ইমাইপেন্মা চীফ এঞ্জিনিয়রনি কায়দনা ময়ূমদু ৱাংনা শাগনি। মায়কৈ মরিদা চেকপলনা কোয়শিনগনি। হুই অচৌবগসু য়াম্না লোয়বনি। মী চঙবদা খোঙলক্লবা। এগ্রিগী ওইগেরা, হোর্টিকচরগী ওইগেরা লৌবুক্তা, হৈকোন্দা তোলোপ চাউনা চাউনা চাবা ওফিসরশিং কনা কনা লাকখ্রবগে? শোমদা চে কলম পায়রগা টেবলদা ইগদবগী ঈকং থোকপগী, ঈচাও থোকপগী লাউননবা ঙাইদুনা লৈ। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা ঈশিং শিৎলম্মী। ষ্টোব হায়বরা টিন ফাৎলগা ত্রাইএঙ্গল শেপতা শারগা ৱানা মখোঙ অহুম য়ুংগনি। ঈশিৎকনি। ঙা ফাগনি। পামজরিবদি ঈকং, ঈচাও লাউথোক্লবা ঙাইদনা লৈবগী মহুত্তা নখোয় লৌমীশিংদা ঈশিং পীবদি য়াদবরা? ঈশিংগী দিপার্টমেন্ট থল্লিবসিবু লুপা ক্রোর ক্রোরনা তোলোপ পীনবরবা নৎত্রগা ঈশিং ফংহন্নবরা। মণিপুরদা ঈশিং শুংৱাৎ ৱাৎতে। নম্বুল তুরেল, ইম্ফাল তুরেল, ইরিল, বরাক, থৌবাল তুরেল, ময়াম অমা লৈরি। মণিপুরদা ঈশিং শুকৱাৎ ৱাৎতে। ঈকং, ঈচাওগী শেল লাকপা ঙাইবীগনু। লোক্তাক পাৎতগী ঈশিং চিংবদা চহী অমদসু কংলোই। ●

# খুন্নাইদা অওনবা পুরকখিবা য়াওল্লোয় ইরাবত

**- সোটিনকুমার -**

১৯ শুবা চহীচানা লোইশিল্লকপা অমদি ২০ শুবা চহী চানা হৌরকপা অসি মালেমগী ওইনা চাউনা অহোংবা লাকখিবা মতমনি। মণিপুরগী পুৱারিদসু অনৌবা য়াওল অমগী য়াকাইরোল শক্কদবগী থৌরাংলকপা মতমনি। পুৱারীগী তাঙ্কক অসিদনি জননেতা ইরাবত কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০ দা পোকখি অমদি চাউরকখি। য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদা পোকখিবদা নত্তনা পীশক পীক্লিঙৈদা অপোকপা ঙম্না কায়নখি। মপাগা পোকমিন্নবা মনেনা য়োকপী-থাকপীরকখি। জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস সেভেন ফাওবা তম্লগা, ঢাকাদা লাইরিক তম্মিঙৈ বংলা লৈবাক্তা নীংতম্বগী ঈহৌগী অকনবা মৈরি চাকপা ওইখিবনা জননেতাগীদি ঢাকাগী পুন্সি য়াম্না মরু ওইরকখিরম্মী। বৃটিশ লোইলমগী মায়োক্তা চঙশিনবা লালহৌগী পূক্নিংদা ফাওরকপা ইথিন ঢাকাদগী মরু ওইনা নৈনরকখিবনি। মতমদুদা মণিপুর খুন্নাইদা লৈরিবা মীনা মীবু ওৎপীবগী ফীভম অদুনা জননেতাগুম্বা অমা খুন্নাইদুনা অওনবা পুরকপা মথৌ তারম্মী, অদুগুম্বা পুন্সি অমা শেমগৎপদা মতম অদুগী খুন্নাইগী ফীভম্না অকনবা শাফু পীখিবা হায়বসি মহৌশানি। হান্নগী মীওৎ মীনৈগী অরিবা খুন্নাই অদুগী চৎন-লোনচৎ অনৌবা য়াওন অমা পুরকখিবগী মরম অমদি মহাক্কী পুন্সি নৈনরকপদা মতম অদুগী খুন্নাইগী পোলিটিকেল ইকনোমি খঙবা তঙাইফদে।

মতমদুগী মণিপুরগী খুন্নাই বৃটিশ লোইলমগী লৈঙাকলোন মখাদা লৈবনা মখোয়না খঞ্জবা নিংথৌ অমা হাপচিন্দুনা লৈঙাকলোনগী সাসন মপুং ওইরম্মী। হায়বদি বৃটিশ কোলোনি অমসুং ফিউদেলীজমগী লৈঙাক সাসন মণিপুরদা লৈরম্মী। মখোয় অনীগী অপূনবা চৈফুনা মশীং য়াম্লবা লায়রবা লৌমী-শিন্মী ওৎ-নৈরকপা খুন্নাই ওইবনা মতমদু মণিপুরগী পুৱারীদা য়াওল্লোয় থোক্লক্তবা য়াদ্রবা মতমনি। মণিপুরগী ইকনোমিদি লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী মরু ওইবা হিংনবগী পাম্বৈ ওইরম্মী। ঈ-পাউ থাদোক-থাজিন য়াম্না নাতে চারমদে, লম্বী থোং অসুক্কী মতিক ফৎলমদে, পোৎ পুথোক পুশিনগী মরু ওইবা পাম্বৈ ষণ গাড়ীনা ওইরম্মী। লাইরিক-লাইশু হৈবা মীওই অসুক্কী মতিক মশীং য়ামদে। কৈথেল পীকই অমসুং মরাং কায়রমদে, অদুম ওইনমক চহীগী ফৌথোক অমসুং ইঙ্খোলদা হৌরিবা মনা-মশিং খরনা চীঙ্গাক্কীদি চাবা কোন্নজবা পোথোক্তি অদুমক পুথোকচবা ঙম্লম্মী। লৌমীগী শেন্থোক লম্বীদি মরাং কায়না লৈতবনিনা লৌমী মীয়ামগী ফুরিৎখাউদা শেল মরাং কায়না লৈরমদে। লৈঙাক্না মখল মখা কয়াগী টেক্স লৌখৎপদা মীনা মীবু ওৎপীবগী মশক শেংনা থোরকখিরম্মী।

মণিপুর খুন্নাইদা অওনবা অমা পুরকপা, মীপুম তিংনা লাইরিক-লাইশুগী জ্ঞান লৈহনবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই হায়বসি জননেতানা খঞ্জখি। মদুগীদমক নহারোলশিংনা লাইরিক-লাইশু তম্বা ঙম্নবা স্কুল লিংখৎনবা হোৎনখি, মশামক ওজা ওইদুনা অঙাংশিং লাইরিক তাকপীরম্মী, নহাশিং মশা-মউ ফম্ননবা, লমচৎ-শাজৎ ফজনবা, থকসি-খাসি ঙাক্লবা, শান্ন-খোৎনবরোমদা থৱায় য়াওনবা পূক্নিং থৌগৎপীরম্মী। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা টাউন ক্লব লিংখৎতুনা মখল-মখলগী মশান্নদা নহারোলশিং শেমগৎখি। ফুটবোল, হোকি, টেনিস, বেদমিন্টন্নচিংবা হৌদোরকপগা লোয়ননা ইরমদমগী মুক্না, কাংজৈ, কাংনচিংবসু য়োকখৎনবা হোৎনখি। লোল অমা হিংহনবা অমদি চাও-খৎপগা খোরিরোল চাওখৎপগা মরী য়াম্না লৈনৈ, অদুগা খুন্নাই অমগী অওনবা পুরকপদা লোল অমদি খোরিরোলগী থৌদাং য়াম্না চাউই। জননেতানা অহানবা মণিপুরী চেফোঙ মৈতৈ চনু কুমজা ১৯২২ দা পুথোকখি। অফাওবা এক্টরনি, কুমজা ১৯৩০ দা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন লিংখৎপদা মাঙজিন থাখি। এম দি য়ুগী সিঙ্গোল লাঙ্গোল কারন ইরাবতনা পুথোকপনি। খোরিরোল চাওখৎহন্নবা ইরাবত অমদি মতম অদুগী লোল অমদি খোরিরোল নুংশিজবা কাঙবুনা কুমজা ১৯৩৫ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎখি। ইরাবত পরিষদকী অহানবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকখি। মহাক্কী খোরিরোলগী পোথে-াক্তি মৈতৈ চনু অমদি অনৌবা চক (চেফোং), মোহিনী (উপন্যাস), লোকমান্য তিলক (পুন্সি ৱারী), ঐখোয় হৌজিক করি তৌগদগে (ৱারেং), শৈদম শৈরেং, ইমাগী পুজা (শৈরেং), সীতা, কেপিটালিজম (পোলিটিক্স), খূৎইদা লৈরিবা জয়মতী (ড্রামা), কৃষ্ণকান্তগী উইল (ট্রান্সলেসন) অসিনচিংবনি।

**মতমদুগী বৃটিশ কোলোনি অমসুং নিংথৌ লৈঙাক সাসন্না চখরম্বা শেন্মীৎলোন্দা মীনা মীবু ওৎপীবগী পনবা য়াবা মশক খরদি- ১। তেরা পোথোক্কী অথিংবা ঃ** মীচম মীয়ামগী পাট্টাগী লম, ইঙ্খোল ওইরিবা মফমদা তেরা পাম্বী হৌবা ইঙ্খোল মপুদুগী ওইবা য়ারমদে। তেরা মশা অমত্তং করিগুম্বা তেক্তুনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরবদি ইঙ্খোল মপুনা লুপা ৫০ জরিমনা থীহল্লি, থা ৬ জেলদা থম্বা হায়বসি মতমদুগী আইননি। ২। **জল সম্বন্ধীগী চৎনবী ঃ** মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা পাৎ, তুরেল নিলাম লাউই। নিলাম ওকপা মীবু পাৎ চাবা হায়না খঙনরম্মী। করিগুম্বা ঈশিং ঈচাওনা পাৎতগী খোংবান অমদি অনকপা মফমদা লৈরিবা লৌফমশিংদা ঙা চেন্থোকখিবনি হায়বগী ৱাফমদা পাৎ চাবনা হায়রিবা মফমদুদসু ঙা ফাবগী অয়াবা আইন ওইনা চৎনরম্মী অমদি লৌমীশিংনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা ঙা ফাবগী অথিংবা থনম্মী। ৩। **শেন্তেক-শেনখায় ঃ** পাৎতগী থমচেৎ-থম্না লেম্না হেকপা, থম্নৌ তানবা, থরো, থাংজিং হেকপদা অথিংবা লৈরম্মী। অদুবু লৈঙাক্না শেনখায় পীরবদি অয়াবা পী। ৪। **খেৱা শেনখায় ঃ** খুঙ্গংগী লমদা তুরেল মথক্তা শারিবা মতমদুগী উরোক থোং লানবা, হি শীজিন্নবা মতমদা মীচম মীয়ামগী শেনখায় লৈঙাক্তা পীবা তারম্মী।

**মীনা মীবু নমদুনা থবক শূহনবা খূৎশুমলদি পীবিদবা (ফোর্স লেবর)ঃ ১। আমিন চাকথাক ঃ** আমিন্না খুঙ্গং-খুঙ্গং চত্তুনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপা লাকপদা মীচম মীয়াম্না আমিনগী চাবা-থকপা, থৌগল তৌবীবা হায়বসি লৈবাক্কী আইন ওইনা লৈরম্মী। আমিনগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা মী চৈরাক ফংই। ২। **পিওন চাকথাক ঃ** লৌরুংশঙগী মীওইশিং খুঙ্গং-খুঙ্গংদা খাজনা খোম্বা লাকপদা মখোয়না থুংঙুরিবা লমদমদুগী মীওইশিংনা চাকথাক হুনবদা নত্তনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বদা য়েৎপা য়ারমদে। ৩। **দোলাইরেং ঃ** লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা পিওন, কেরানী অমদি অঙম অথৌ খুঙ্গংদা খোঙদারকপদা খরা মওং মরীল তাবা মী লাকপদদি খুঙ্গং অমদগী অমদা মখোয়বু খুঞ্জাশিংনা দোলাইদা তোংহন্দুনা পুবিবা তারম্মী। ৪। **য়ারেক শন্ত্রি ঃ** লৈঙাক্কী ফম্নাইবা, কেরানিশিংনা খুঙ্গং অমদগী খুঙ্গং অমদা টেক্স খোমগৎপা চৎপদা খুঙ্গংগী নহারোলশিংনা অহিং চুপ্পা মখোয়বু ঙাকশেনবীবা করিগুম্বা পোৎমাং-চৈমাং থোক্লবদি, শঙলিবা মীশিংবু অহকপা চৈরাক পীরম্মী। ৫। **পোৎথাং পুবা ঃ** লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা অরাপ্পা লম চৎপদা ফম্নাইবশিংগী মপোৎ-মচৈ অৱামল পীদুনা পুহল্লি। ৬। **পোৎথাং শূবা ঃ** লম্বী থোং অমদি অঙম অথৌগী বঙ্গলো শাবদা অৱামল পীদনা শিন্মীবু থবক শূহল্লি। মতমদুগী চৎনবীদা লায়রবা লৌমীগী ইমুংদা পোকপা মচা নিঙোল শা-ষণ লৈবদৌনা শেল পীদুনা লৈরগা লৌয়াম চাবা অঙম অথৌশিংগী মচানুপী লুহোংবদা অউনশীনাই ওইনা হাপ্পা চৎনরম্মী।

**ইরাবতকী সোসিয়েল রেভল্যুস্নরি মুভমেন্ট ঃ** জননেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা কুমজা ১৯৩৪ দা 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা' লিংখৎখিরম্মী। মহারাজ য়াওনা শেম্মকপা মহাসভা মপাঙ্গল কন-খৎলম্মী। লোয়ননা লুচিংবা ইরাবতনা কৃষি সম্মেলন্নী কৌবা লূপ অমা কুমজা ১৯৩৬ তা নম্বোলদা লিংখৎখিরম্মী। মতমদুগী মীওৎ মীনৈ লৈঙাক্তুগী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ কয়া চঙশিনখিরম্মী। কৃষি সম্মেলন্নীগী মরু ওইবা দিমান্দদি য়ারেক সন্ত্রি, পীওন আমিন চাকথাক, পোৎথাং বেগার, দোলাইরেংগী আইন ককথৎলু, ফোরেষ্ট টোল ষ্টেসন লৌথোকউ, খুঙ্গংগী চীং মীচম মীয়ামদা পীগদবনি, চীং-পাৎ নিলাম ককথৎলু, শের নিফুনা মোন শাগদবনি, লৌমীদগী লৌ শৎপা য়াদে, উতোং ৬৪ গী শঙবায়না লৌশান লৌগদবনি, ইঙ্খোল পাট্টা মনুংদা হৌবা তেরা পাম্বী নিলাম কক্কদবনি, লৌয়াম চাবা নীতি মুখৎলু, লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবশিংনি। লুচিংবা ইরাবতনা চঙশিল্লকখিবা মতমদুগী ঈহৌ মায় পাকখিরম্মী।

**বৃটিশ কোলোনি অমসুং নিংথৌ লৈঙাক সাসন্না সমাজিক্কী ওইবা মীনা মীবু ওৎপিবগী শক্তম খরা ঃ** মতমদুগী মণিপুর খুন্নাই লাইনীংদা য়ুম্ফম ওইরগা শেন্বা অকনবা আইন লৈরম্মী। মণিপুরগী য়াইতোংবা হিন্দু লাইনীংগী পন্দিতশিংনা ওইবা মহারাজগী মীৎয়েং মখাদা ব্রহ্মসভা হায়দুনা লূপ অমা লৈরম্মী। মী অমা শিরবদি পোৎলোইহনবা অমসুং পোৎলোইহন্দবা হায়বসি ব্রহ্মসভাগী মখা পোল্লি। ব্রহ্মসভানা মাংলে হায়দুনা শক খঙলবদি অশিবা হকচাং পোৎলোইবা য়াহন্দে। অদুবু ব্রহ্মসভাদা শেংদোকমল শেল পীরগা শেংলে হায়দুনা লাউথোকপীরবদি পোৎলোইবা য়াহল্লি, শোরাৎ শোনবা য়াহল্লি। ব্রহ্ম সভানা লৌবা শেংদোকমলগী শেনফম লুপা ৮০ শিকি পাই মাপননি। শেল লৈতবা শেংদোকমন পুথোকপা ঙমদবা ইমুংদদি পোৎলোইবদা আইনগী অথিংবা লৈ। অমাংবা হায়বদু ওইরবা ইমুংদি লৈকায়না অমদি খুন্নাইনা ইন্থোকপীবগী চৎনবী লৈরম্মী। ব্রহ্মণশিংনা মৈতৈ নুপী লৌরগা নুপী অদুগী মখূৎ চাবিদবা, মহাক্না পোকপা মচা চাকইন খোম ইনবা য়ারমদে, মহাকপু খায়নবিরগনা মপামগী চফু চাবা য়াদবা, অদুগা অতোপ্পা মৈতৈ অমদা ময়ূম অমুক পানবা য়াদবা অসিনচিংবা মীনা মীবু ওৎপীবা চৎনরম্মী। মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোইশঙনা লাইনীংগী মীংদা মীচম মীয়ামদগী টেক্স লৌখৎলম্মী, মী খুদিং হিন্দু ওইরবদি চন্দন থিনগদবনি, ব্রহ্মসভা লূপ অসিনা চন্দল থিনবগী শেনফম মীচম মীয়ামদগী লৌই। নৌনা লাইমীং লৌবা মী য়াওবা ইমুং খুদিংদগী আনা ৫ লৌরম্মী। লাইনীংগী মীংদা মীচম মীয়ামদগী শেল লৌবগী চাং দরবারনা মতমগী ওইনা লেপ্পী। নাহুৎ-নারেং থোরকপদা শম ককপা (নাপেৎ) না ইমুং অদুদগী শেল লৌরম্মী। চাবোকপা, অশিবগী শাগৈ য়ূম মাংবগী য়ূমশেং কৈশেংবা পাঙথোকপা শেনখায় থীবা তারম্মী। মহারাজ অমসুং ব্রহ্মসভাগী মীওৎ মীনৈ অসিগী মায়োক্তা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীংগী মায়োক্তা কলচরেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোক্লবগীদমক জননেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা শেল্লকখিবগী মরম অমসুনি। অৱা লান্দা লানজেন্নখিবা অমদি ফবী পুনবীখিবা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা চোইজাইননা তারিবা মণিপুরীশিং পুনশিন্নবা থৌরাং অমা ওইনা মহাসভা অসি অহানবদদি মহারাজ য়াওনা শেমখিবনি। অদুম ওইনমক মহাসভানা কলচরেল রেভল্যুসন অমা মায় পাক্লা পাঙথোক্তুনা মতমদুগী লাইনীংগী মীংদা চৎনরম্বা সোসিয়েল এক্সপ্লোইটেসন থুপচিনখি।

জননেতানা লমজিংখিবা মতমদুগী মপাঙ্গল কল্লবা লূপ ওইরিবা মহাসভা অদু 'হিন্দু' হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক্তুনা ফুরুপ অতৈসু কোনশিন্দুনা 'নিখিল মণিপুরী মহাসভা' হায়না অকোনবদা মমিং ওন্থোরকখি। সোসিয়েল রিফোর্মেসন্দা মরু ওইবা ঈহৌগী খোঙজং ওইরকখিরম্মী। মদুনা মপাঙ্গল কনবা লূপ অমা ওইরবা মতুংদগীদি সোসিয়েল রেভল্যুসনগী অশেংবা লম্বীদা খূৎমাবা হৌরকখি। খুন্নাই অমদা চৎনরিবা অরিবা লোনচৎ, মীনা মীবু ওৎপীরিবা অদু মরু ফুক্না মাঙহনখিবা হায়বসি লৈঙাকলোনগী শক্তি মীয়াম্না পায়রবা মতমদা ওইথোকই হায়বসি মহাক্না মুন্না খঙঙি। মরম অদুনা টোটেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমগী তঙাইফদবা তাঞ্জা য়ৌরকখ্রে। নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী মরিশুবা মীফম (চিংঙা সেসন) দগীদি পোলিটিকেল পার্টি ওইরে। চীংঙাদা ফমখিবা মরিশুবা মহাসভাগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মরু ওইখিবা ৱারেপশিংদি - মণিপুরদা পুর্নদায়ত্বশিল সাসন (full responsible government) লিংগদবনি, সবালোক ভোটনা (adult francise) মীখল তৌগদবনি, খুঙ্গংদা পঞ্চায়েট অমদি অনা লায়েংশঙ লিংগদবনি, খুঙ্গং খুদিং স্কুল লিংগদবনি, ফ্রী এন্দ কম্পলসরি প্রাইমারি এদ্যুকেসন পীগদবনি, লৌগী খাজনা লুপা ১২ দগী ৬ তা হন্থগদবনি, চীং-পাৎ-তুরেল নিলাম কক্কদবনি, চীং তমগী লৈঙাক পুনগদবনি। নিংথৌগী লৈঙাক মুথৎপা, মীখল পাঙথোক্তুনা মীহুৎ খল্লগা লৈঙাকলোনগী শক্তি পায়হনবা অমদি লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবগী দিমান্দগা লোয়ননা ঈহৌ চঙশিল্লকখি। লুচিংবা ইরাবতনা মহাক্না পায়রম্মীবা সদর পঞ্চায় মেম্বর ফম মার্চ ১৫, ১৯৩৯ দা থাদোকখি অমদি খুঙ্গংদা লৌমী অমগী পুন্সিগুম্না হিংবা হৌরকখ্রে। বীপ্লবি হিজম ইরাবতনা মালেমগী অমদি ইন্দিয়াগী খরা হেন্না খুমাং চাওশিল্লকখিবা ঈহৌশিংদা ইমা লৈবাকপু শৈথাবা ঈশৈ অমদি শৈরেংশিং লোয়ননা মীওৎ-মীনৈদগী অরান খুভম ফংনবগীদমক্তা অপূনবগী শক্তি শাগৎপগী, লায়র-অনং, অতোন-অতা খায়দবগী নীং-খা তম্না হিংবদা শৈথাবা শৈরেং ঈশৈশিংনা নীংখা তম্বগী লাঞ্জং চঙশিনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবদা নাচুংহনখিদবগুম মমা লৈবাক মণিপুরদা নিংথৌ অমদি লোইলম লৈঙাক্না সুদৎপীরবা ইরৈবাকচাশিংবু য়াকাইহন্নবগীদমক্তা য়াকাইরোল ঈশৈ কয়া ইদুনা মীকপ থোক্লবা হোৎনখি।

মতমদুগী মণিপুর খুন্নাইদা পোৎ পুথোক্লবগী মরু ওইবা পাম্বৈদি লম (লৌউফম) হায়বসিনি। লৌমীশিংনা লৌ উবগী লম মশানা মপু ওইজবা হায়বসি মান্নবা খুন্নাই অমদা হিংমিন্নবা হায়বগী লম্বী য়াৎপনি হায়বা ইরাবতনা ইরম্বা ৱারেং শৈরেংশিং নৈনরুরগা খঙবা ঙমই। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি anti-feudal, anti imperialist, antifacist ওই। অদুগা মহাক্কী মরু ওইবা পান্দমদি ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমগী শেন্মীৎলোনগী খুন্নাইদা অওনবা পুরকপনি।

কুমজা ১৯৩৯ দা মণিপুরদা ফৌ চেঙ তাঙবনা মরম ওইদুনা নুপীলাল হৌরকখি। দিসেম্বর তাং ১২ দা সিফাইগী সঙ্গিন্না থিনবদা ঈহৌসিগা মরী লৈননা ইমা ইবেল অশোক-অপন নংলে, নুপীশিংনা হৌরিবা ঈহৌগা মরী লৈননা মীয়াম তিনবা মিটিং অমদা ঈরাং হেন্না শাগৎপা ৱা ঙাঙলুবগীদমক ইরাবতপু লৈঙাক্না ফাজিনখি। চহী অহুম ফাদোক তারম্মী। সিলেট জেলদা থাখি। জেল মনুংদা মতমদুগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবশিংগা তোৎনা তিন্ননা লৈমিন্নখি। জেলদা মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্টগী লাইরিক কয়া পারম্মী। সিলেট জেলদগী কম্যুনিষ্ট ওইরকখ্রে। জেলদগী থোরক্লগা মণিপুরদা চঙবদা কম্যুনিষ্ট ওইখিবদগী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুংদা কছারদা মহাক্না লৈরিঙৈদা লৌমীশিংগী ঈহৌ শাগৎখি, লাইনীং মান্নদবা, জাৎ মান্নদবা খায়দনা তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্মীগী লুচিংবা ওইরম্মী, কুমজা ১৯৪৩ দা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওরবা মতুং কুমজা ১৯৪৬ দা কছারদা কম্যুনিষ্ট মীরেপ ওইনা ভোট লেপখি। অনীশুবদা লৈহৌই। কছারদা লৌমীশিংগী অরান খুভমগীদমক ঈহৌ শাগৎখিবদুগী ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাকপু 'জননেতা' মিংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মফমদুদগী মে ২৩ দগী জুন ১ ফাওবা, কুমজা ১৯৪৩ দা বোম্বেদা পাঙথোকখিবা সি পি আইগী অহানবা মীফমদা শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৪৬ তা মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুং মীয়ামগী লূপ কয়া শেমগৎতুনা ফুরুপ অসিগী শেল-থুম, খুন্নাই-সংস্কৃতি, পোলিটিক্সকী মায়োন্দা অহোংবা অওনবা কয়া পুরক্লবা থেংনখি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী মনুংদা হেন্না মনীং তম্বা পীবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈহন্নবা, কুমজা ১৯৪৬, এপ্রিল ৫ দা নিখিল মণিপুরী মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দলগী শুপ্পা ফম্বা মীফমনা, পূর্নদায়ত্বশিল সাসনগী ৱারেপ লৌদুনা ফেন্দরেলিজমগী অকনবা ইথিল পীখি। কুমজা ১৯৪৭ কী নবেম্বর ৩০ দা এম দি য়ু হোলদা নাগাশিংনা তোঙানবা লৈবাক অমা শেম্বগী ৱাফম লাকপদা মণিপুরগী চীং-তমদা লৈরিবা ফুরুপ পূম্নমক্কী অপূনবা মীফম কৌদুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখি। অপূনবগী শক্তম ঙাকখি। কুমজা ১৯৪৮ গী অহানবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন্দা উৎলৌ এ সীদগী কাখি। কুমজা ১৯৪৮ গী ফেব্রুৱারী ২৮ দগী মার্চ ৬ ফাওবা কলকত্তাদা ফমখিবা অনীশুবা সী পি আইগী মীফমনা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌবদসু কমরেদ ইরাবত আসামগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াওখি। কুমজা ১৯৪৮, ওগষ্ট ২৩ দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ইরাবতকী লমজিংদা লিংখৎখি। কেন্দ্র লৈঙাক্না মণিপুর, ত্রিপুরা, লুসাই হিলস অমদি কছার দিষ্ট্রিক্ট পুল্লগা পূর্বাঞ্চল প্রদেশ হায়না কৌবা ষ্টেট অমা ওইনা শেল্লগনি হায়রকপগী মায়োক্তা সেপ্টেম্বর ২১, কুমজা ১৯৪৮ দা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা হৌরকখিবা অন্দোলন অমসুং পুংদোংবম থৌদোক অদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱারেন্ট থমদুনা অন্দরগ্রাউন্দ তাহনখিবদগী এসেমব্লি মীফম অমত্তা য়াওবা ফংহনখিদে।

কুমজা ১৯৪৮ গী সেপ্টেম্বর ২১ গী 'পূঙদোংবম ঘটনা' মতুংদা হেনফমদনা অন্দরগ্রাউন্দ তারবা মতমদা দিসিপ্লিন লৈবা কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা শেমহৌদবগী খুদোংথিবশিং মথং মথং উনরক্লমই। মরম অসিদগী কুমজা ১৯৪৮ গী ওগষ্ট ২৩ দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি, দি ও সীগী থাক্তা লিংখৎখ্রবসু কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা ওইবগী চৎন-কাঙলোন দিসিপ্লিন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা নীংথিনা ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদে। অশোয়বা কয়াসি উরক্তুনা কমরেদ ইরাবতনা সেল্ফ ক্রিটিসিজম পীখি। পূঙদোংবম ঘটনা মতুংদা অন্দরগাউন্দ তাখ্রবদা অমুক হন্না কম্যুনিষ্ট পার্টি কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ২৯ দা দি ও সীগী থাক্তা রিওর্গেনাইজ তৌদুনা শিংথানবা য়ারবা থবক কয়া পাঙথোরকখি। মণিপুরগী মীয়াম্না য়ারবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওইরকখিরমই লোয়ননা মীয়ামগী স্বার্থদা দাবী কয়া পুখৎতুনা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসনগী খোঙজংদা খূৎলায় পায়দুনা অকনবা লাঞ্জং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকখি।

কুমজা ১৯৫০ গী মে থাদা কমরেদ ইরাবতপু বর্মাদা থাবগী অয়াবা পার্টি সেন্টরদগী লৌবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২৭তা মফমদুদা থুংখি। বর্মাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংগা অচেৎপা মরী থম্নরম্লগা পাউদম্লনবা থোক্লকপদা লম্বীদা নারকপদগী কুমজা ১৯৫১ গী সেপ্টেম্বর ২৬ তা অঙ্গো চীংগী চীংখাঙদা তাবা তাংবো খুন্দা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

ঙসিদি ইরাবতকী পুন্সি, থবক, পান্দম ৱাখল্লোন খিবিক অসিমক খ্বাইদগী মরু ওইরক্লে। লমদম অসিগী, ফুরুপ অসিগী, মালেম অসিগী, ওল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মহাকপু নীংশিংবগী, নৈনবগী, তুংইনবগী, তঙাইফদবদুনি হৌজিক্তি। কল্লকপা, কোনশিল্লগা নাকোয়ননা চিংথনবা হোৎনবা, মহাক্কী ৱাখল্লোন অমত্তা য়াওদনা নুংশিবা শাদুনা কোম্মুনবা হোৎনবা কয়া অমসু য়াওরক্লিবনি। পূম্নমকসি চেকশিনবা, মশক মুন্না খঙদোকপা, ইরাবতকী অশেংবা মশক নীংথিনা কন্দুনা থম্বা, পুখৎনবা হোৎনবা চঙই।

ঙসিগী লমদম অসিগী ওইরক্লিবা অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা, নুপীশিংগী রাইট কন্নবা, মখোয়গী শক্তি হেঙ্গৎহন্নবা চঙশিন্নরক্লিবা, লায়র অতোনবশিংগী পুন্সিদা য়ৈরক্লিবা চৈথেং, পোৎচৈ তাঙবা, থবক ফংদবা নহাশিংগী আশা উরক্তবা, কেপিটালিজম অমদি ইম্পরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসনগী অকিবা ফংলবা অকনবা শাফুনা য়ৈশিল্লকপা ফীভম অসিদা মহাক্না লেপ্লম্বা, থেংনরম্বা নৌহৌননা নীংশিংদুনা জননেতা ইরাবতপু মশক শেংনা খঙবা, মহাক্কী পুন্সি, থবক অমসুং ৱাখল্লোন মমুৎ তানা নৈনবা, অচুম্বা অশেংবা অদুমক মাঙদা থমদুনা ফুরুপ অসিনা মাঙলোমদা চৎখৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎলসি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩**

১। মীতৈ পুৱারীদা সনা হেরাচন্দ্রগী মিংদি মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি। ডাকু নিংথৌ হায়দুনা।
(ক) ইপুংসি হেরাচন্দ্র করম্বা মৈদিংঙুগী মচা ইবুংঙোনো?
(খ) অৱা লান্দুদা লৈবাক কায়বা হৌখিবদু ১৮১৯গী করি থাদনো?

২। "হেলোইনা মী পুই/মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপান অমদা লৈ।" ৱাফম অসি এম কে বিনোদিনীনা হায়রম্বনি। করম্বা লাইরিক্তা হায়বনো?

৩। "ঐদি/ফনা নঙনা পেমচা ওইদুনসু/নত্তে ঐদি নঙগী বোরাচাউবা/পুরেম্বনি ঐদি ঙাঞ্জলৈমগী।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা রনবীর শারুংবনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "হিংবা শিববু ঐখোয়গী খূত্তা লৈব্রা/ইশা ইথন্তা হেক্তা শিগদ্রা?" পরেংশিং অসিনা 'য়েন্নিংথাগী য়েন্নিং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "নুংশি করি ওইরসিগে/নুজা ৱাখল থেনমল্লি/নুংশি নশুং লাংগীদমক/কাইখরেনে ঐগী থম্মোয়।" পরেংশিংসি য়াম্না মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**মরোল থোকপা লাই**

